# প্রসিডেন্ট মীখলদা হান্নগী লোক সভাগী স্পিকর মৈরাকুমার অমদি রাম নাথ কোবিন্দ লাম্বানরগনি





*ন্যু দিল্লি, জুন ২২ঃ*

লোক সভাগী হান্নগী স্পিকর মৈরাকুমার ওপোজিসনগী প্রসিডেন্ট মীরেপ ওইনা অমদি ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) গী নোমিনি রাম নাথ কোবিন্দ জুলাই ১৭ তা পাঙথোক্কদৌরিবা প্রসিডেন্ট মীখলদা খ্বাইদগী কনবা লাম্বা ওইরগনি।

ঙসি নুমিদাংৱাইরম ন্যু দিল্লিদা কংগ্রেসকী প্রসিডেন্ট সোনিয়া গান্ধিনা থৌরম মপু ওইদুনা তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টি ১৭ কী ওইবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা মৈরাকুমারবু প্রসিডেন্ট মীরেপ ওইহন্নবা ৱারেপ লৌখি। মীখল অসিদা দলিট কাঙলূপকী মীওই ২ লাম্বানরগনি।

চৈরকসিদা লালু প্রসাদ যাদবনা মহাক্কী মপাং অমা ওইরিবা বিহারগী চীফ মিনিষ্টর নিটিশকুমারদা ৱাখল হোংদোক্তুনা বি জে পি গী নোমিনিদা সপোর্ট তৌননবা ৱাফম ফোঙদোকখি। লেফট পার্টিগী লূচিংবা সিটারাম য়েচুরিনা হায় মৈরাকুমারবু শৌগৎনবা অমত্তা ওইবা ৱারেপ লৌরি। মৈয়াবটিগী বহুজন সমাজ পার্টিনসু মীরেপ অদুদা শৌগৎকনি। ময়াবতি দলিট কাঙলূপকী ওইনা শিংথানিংঙাই ওইরবা মীশক অমনি। মহাক কখোকপগা লোয়ননা থবক তৌরকখিবনি। লূচিংবী অদুনা দলিট মীরেপ অমবু অৱাংবা থাক্তা কাহন্নবা হোৎনবদা চিংথবা তৌরক্লোই হায়খি।

ময়াবতিনা হায় মহাক্না এন দি এনা শৌগৎপানত্তবা মীরেপ অমদা শৌগৎকনি। কংগ্রেসকী লূচিংবা সুসিলকুমার সিন্দে অমসুং বালচন্দ্র মুঙ্গেকর দলিট কাঙলূপ্তা লৈবা মীওইশিংনি। মখোয়না মশাগী ওইবা ফীরেপ অমগী মখাদা প্রসিডেন্ট মীরেপ শৌগৎলক্কনি।

সোনিয়া গান্ধিনা ওপোজিসন পার্টি খুদিংমক্তা মৈরাকুমারবু লৈবাক অসিগী প্রসিডেন্ট অমা ওইবদা শৌগৎপীনবা ৱাফম ফোঙদোরক্লি।

বি জে পি অমসুং চুংশিন্নবা কাঙবুশিংনা চাদা ৬০ গী চাংদা মখোয়না পুথোকপা মীরেপশিংদা শৌগৎলক্কনি। মদুতা নত্তনা তোঙান তোঙানবা রিজনেল পার্টিশিংনসু এন দি এ গী মীরেপ্তা শৌগৎলক্কনি হায়বগী থাজবা লৈরি। চৈরকসিদা লালু প্রসাদ যাদবনা হায় নিটিশ কুমারনা মহাক্কী ষ্টেট অদুদগী হৌরকখিবা মৈরাকুমারবু শৌগৎফম থোকই। হিরম অদুগী মতাংদা হয়েং মীফম অমা পাঙথোক্তুনা খন্নগনি। পুৱারীবু কনাগুম্বা অমত্তনা লান্না লমজিংলোইদবনি। লোয়ননা অরানবা ৱারেপ লৌরোইদবনি হায়নসু ফোঙদোরকখি।

কংগ্রেসকী লূচিংবা অশোক চৌধারিনসু নিটিশকুমারগী পূক্লিং চিংশিল্লদুনা হায় নিটিশকুমারনা মহাক্কী ৱাখল হোংদোক্তুনা থবক তৌগদবনি। মহাক্না খনগদবদি ওপোজিসন পার্টিদা দলিট কেন্দিদেট অমসুং বিহারদগী হৌরকখিবা মৈরাকুমারবু প্রসিডেন্ট মীরেপ ওইরি হায়বদু নিংশিংগদবনি। নাকল অমরোমদা নিটিশকুমারগী জনতা দলগী লূচিংবা পৱন ব্রর্মানা হায় পার্টি অদুগী ৱাখল্লোন হোংদোকপগী ৱাফম লৈরোই। মখোয়না লেপখিবা ফীরেপ অদুদা চপ চানা লেপকনি।

চৈরকসিদা নিটিশ কুমারনা হায়, রাষ্ট্রপতি ভৱানগীদমক মতিক চাবা কেন্দিদেট থাগৎকনি হায়খি।

চীফ মিনিষ্টর অদুনা বিহারগী দলিটশিংদা শৌগৎফম থোকই হায়বদুসু খঙই হায়খি। নিটিশ কুমারগী ৱারেপ অদুনা বিহারদা চুংশিন্নরিবা পার্টিশিংগী মরক্তা খুদোং চাদবা কয়া লাকপা য়াই হায়রি।

বিহারদা চুংশিন্নবা লৈঙাক লৈরি। মদু মখা তানা লৈখিগনি হায়নসু ফোঙদোরকখি

# হেলমন্দদা লৈবা কাবুল বেঙ্কতা কার বোম এটেক্ট চথরকপদা মীওই ২৯ শিরে, ৬০ শোক্লে

*কবুল, জুন ২২ঃ*

রামজান থা লোইশিল্লকপা মতম অসিদা অফগানিষ্টানগী খা থংবা হেলমন্দ প্রোবিন্সতা লৈবা ন্যু কাবুল বেঙ্ক ব্রাঞ্চতা কার বোম থৌজিল্লত্তুনা পোখায়হল্লকপদা য়ামদ্রবদা মীওই ২৯ শীখ্রে অদুগা মীওই ৬০ না অশোক-অপন নঙখ্রে হায়না ওফিসিয়েল ওইবা পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।



পুলিসনা পাউমীশিংদা ফোঙদোরকখিবদা ন্যু কাবুল বেঞ্চকী ব্রাঞ্চ অদুগী চঙফমদা কার বোম অদু পোখায়হল্লকখিবনি। থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা মীচম অমসুং সেক্যুরিটি পার্সোনেল কয়া খুদোংথিবা নঙখ্রে।

কার বোম এটেক্ট অদু হৌজিক ফাওবগী ওইনা লুপ অমত্তনা ক্লেম তৌরকপা লৈত্রি। অদুম ওইনমক লমদম অদুদা তালিবান অমসুং ইস্লামিক ষ্টেট মিলিটেটশিংনা মমাংদা এটেক্ট কয়া চথরকখিবা লৈবনা ঙসি এটেক্ট অদুসু মখোয়না চথরম্বা ওইগনি হায়বগী চিংনবা লৈ।

হেলমন্দ প্রোভিন্সকী লস্কার গাহদা লৈবা অশোকপশিং লাইকননরিবা হোস্পিটাল অমগী লূচিংবা অমনা ফোঙদোরকখিবদা থৌদোক অদুদা শোক্লবা মীওইশিংগী মনুংদা ফিভম লুবা য়াওবনা অশিবা মীগী মশিং হেনগৎলকপা য়াই হায়রি।

তোলো ন্যুজ না রিপোর্ট তৌরকখিবদদি খুলায় পায়বশিং বেঙ্ক অদুগী মনুংদা চঙশিল্লক্তুনা সেক্যুরিটি ফোর্সকা অকনবা মওংদা খুৎ থোক্লখি হায়রি। বেঙ্ক অদুদা মীচম কয়ানা মখোয়গী থাগী তলব লৌননবা পরেং শাংনা লেপ্তুনা লৈরিগৈ চৈরক্তা বোম পোখায়নবা অমসুং নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোকশিং থোকখিবনি হায়না পুলিসকী ৱাঙাং লোই সলাম অফগান্না পাউমীশিংদা ফোঙদোরকখি।

মমাং চহিদসু বেঙ্ক অদুমক্তদা মীয়াম্না মখোয় মখোয়গী তলব লৌননবা হোৎরিগৈ চৈরক্তঃ এটেক্ট চথরকখিবসু লৈখ্রে। অফগানিষ্টানগী চিফ ইজিক্যুটিব অবদুলানা টুইটরদা ফোংদোরকখিবদা ঙসিগী থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা অমদি অশোক-অপন নঙখ্রবা মীওইশিং অদু লাক্কদৌরিবা ইদ কুম্মৈগা মরী লৈনননা পোৎ লৈননবা বেঙ্ক অদুদা শেল লৌথোকপা লাকখিবশিংনি। অশিবা অমদি অশোক-অপন নঙখ্রবা মীওই অয়াম্বা মীচমশিংনি।

ইদ কুম্মৈগা মরী লৈনননা পোৎ লৈননবা বেঙ্কতগী শেল লৌথোকপা লাকখিবা মীওইশিং অদুদা এটেক্ট চথরকখিবা অদু মফম অদুদা লৈখিবা মীয়ামদা মংলাক্লবগুম থোকখি। তালিবালশিংনা স্প্রিং ওফেন্সিপ ষ্ট্রাইক চথগনি হায়না লাউথোকখিবা মতুং হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা অফগানিষ্টানদা তমথিবা এটেক্ট কয়া চথরকখি।

নোংমাইজিং নুমিৎতা লৈবাক অদুগী নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈবা গারদেস্তা মিলিটেন্টশিংনা এটেক্ট চথরকপদা পুলিস ওফিসর ৫ হাৎখিবা অমসুং মীচম ৩০না অশোক-অপন নঙহনখিবা লৈখ্রে।

গারদেসকী সহর অদুদা সুসাইদ বোম এটেক্ট চথরক্তুনা পুলিস অমসুং মীচম কয়া শোকহনখিবা থৌদোক অদু তালিবানশিংনানি হায়না ক্লেম তৌরকখিবা লৈখ্রে। মদুদা নত্তনা মে ৩১দা ময়াই থংবা কাবুলদা চাওনা বোম পোখায়হন্দুনা মীওই ১৫০ শিহনখিবসু লৈখ্রবনি। থৌদোক অদু অফগানিষ্টানদা থোকপা খ্বাইদগী চাওবা মী শিবগী থৌদোক অমা ওইরি।

অফগানিষ্টানগী হেলমন্দ প্রোভিন্স তালিবানশিংনা খুৎলিংবা মফম ওইরি। মফম অদুদা অফগান সেক্যুরিটি ফোর্সনা অকনবা ওপরেসন চথরিবনি। তালিবানশিংগী মায়োক্তা লৈঙাক্লা অকনবা থবক লৌখৎলিবা অদুগী মায়োক্তা তালিবানশিংনসু সেক্যুরিটি ফোর্স অমসুং মীয়াম তিনবা মফমশিংদা লেপ্তনা এটেক্ট চথরক্লি হায়রি।

# সেন্টরনা সহরগী লাইরবশিংগীদমক যুম লাক্ষ ১.২৭ শাননবা অয়াবা পীখ্রে

*ন্যু দিল্লি, জুন ২২ঃ*

সেন্টরনা সহরদা লৈবা লাইরবশিংগীদমক যুম লাক্ষ ১.২৭ শাননবা অয়াবা পীখ্রে। যুম শাবগী থৌশিল অদুগীদমক লুপা ক্রোর ৬,৫০০ কাইথোকখ্রে।

প্রধান মন্ত্রি অৱাজ য়োজনা (অর্ব্বান স্কিম) গী মখাদা মমাঙদা যুম লাক্ষ ২০.৯৫ শাখ্রে। চহী ২ গী মমাঙদগী হৌদোকখিবা থৌশিল অদু মখা তানা চখহন্দুনা যুম লাক্ষ ১.২৭ শাননবা শেল কাইথোক্লে হায়না হাউসিং এন্দ অর্ব্বান পোভর্টি এলিভেসন মিনিষ্ট্রিনা ঙসি ফোঙদোরক্লি।

খ্বাইদগী থেংবদা উত্তর প্রদেশতা লাইরবশিংগীদমক যুম ৭০,৭৮৪ শাননবগী অয়াবগা লোয়ননা থবক পায়খৎপা হৌখ্রে। মদুগীদমক লুপা ক্রোর ৩,৫২৮ কাইথোকখ্রে। থৌশিল অদুগী মখাদা লাইরবা ইমুং অমদা লুপা লাক্ষ ১.৫০ পীদুনা খুদোংচাবা ফংহনখ্রে। মদুগীদমক সেন্টরনা ষ্টেটশিংদা চাউরবা শেনফম কয়া থাদরকখ্রে। উত্তর প্রদেশকী ওইনা হৌজিক লাইরবশিংগীদমক যুম লাক্ষ ১.১২ শাননবা থৌশিল পায়খত্তুনা মদুদা চঙগদবা শেনফমশিংসু কাইথোকখ্রে।

কর্নতকাগী ওইনা যুম ৫৬,২৮১ শাননবা লুপা ক্রোর ২৯৫০ কাইথোকখ্রে। মদুগী মনুংদা সেন্টরনা লুপা ক্রোর ৮৪৪ মতেং পাংখি।

অন্দমান্দ এন্দ নিকোবর ইথৎকী ওইনা যুম ৬০৯ শাননবা লুপা ক্রোর ৫৪ কাইথোকখ্রে। তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদসু প্রধান মন্ত্রি অৱাজ যোজনাগী মখাদা সহরগী লাইরবশিংগী যুম শাননবা শেনফম কয়া কাইথোকখ্রে। মমাঙদা পায়খৎখিবা থৌশিলশিং অদুগী মখা তারকপা ওইনা হন্দক নৌনা অমুক সেন্টরনা সহরগী লাইরবশিংগীদমক যুম লাক্ষ ১.২৭ শাননবা অয়াবা পীখিবনি হায়রি।

# সিকিমগী চীফ মিনিষ্টর পৱানকুমার চামলিননা গোরখালেন্দগী দিমান্দ শৌগৎখ্রে

*গাংতোক, জুন ২২ঃ*



সিকিমগী চীফ মিনিষ্টর পৱানকুমার চামলিংনা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী হিলস ষ্টেসন অমবু গোরখালেন্দ দিমান্দ তৌরকখিবদা শৌগৎলি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

দার্জলিং হিলসপু মীয়াম্না মপুং ফাবা কাউন্সিটিট্যুসনগী মখাদা ষ্টেট অমা ওইহন্নবা দিমান্দ তৌরক্লি। মদু ইন্দিয়াদা লৈবা গোরখাশিংগী শক্তম ঙাকপগা মরী লৈনৈ। মখোয়গী মরৈবাক নিংবগী ৱাখল্লোন অদু মতম শাংনা অচুম্বা ফংনবা হোৎনদুনা লাকখ্রবনি।

হিরম অদুগী মতাংদা চামলিংনা য়ুনিয়ন হোম মমিনিষ্টর রাজ নাথ সিংহদা লৈবাকপোকপানুমিত্তা অইবা চেরোল অমা পীদুনা শৌগৎপা ৱাফম ফোংদোকখ্রে হায়রি।

গোরখালোন্দ নৎত্রগা গোরখা ষ্টেট অমা পীথোকপা হায়বদুনা লমদম অদুদা তুং কোইনা শান্তি লৈবা অমসুং তংদু-লৈতাবা ফীভম অমা লৈহনবা ঙমগনি হায়নসু চীফ মিনিষ্টর অদুনা ফোঙদোরক্লি।

সিকিমগা ফাওনগদবা ষ্টেট অদুগী লাইফ লাইন ওইরিবা নেস্লেল হায়ৱে নম্বর ১০ দা গোরখালেন্দগী খোঙজংনা মরম ওইরগা হৌখিবা চহী কয়াদা লম্বী অদুদা ব্লোকেদ তৌখিবগী থৌদোক কয়া লৈখ্রে। ব্লোকেদ চথখিবা অদুনা ষ্টেট অদুদা তঙাইফদবা পোৎলমশিং পুশিল্লকপা অমসুং অতৈ লম কয়াদা তংদু লৈতাদবা ফীভম অমা ষ্টেট অদুদা মায়োক্লহনখি।

নেস্লেল হায়ৱে নম্বর-১০ দা ওইরিবা ফিভম অদু তম্বা ঙমদবা অমনি। মদুনা সিকিমদা লৈরিবা মীওইশিংগী পুন্সিদা চাউনা শিংনবা অমা থোকহল্লে।

ইং ২০১১ দা সিকিম এসেমব্লিনা ৱারেপ অমা লৌদুনা দাজলিংদা থোক্লিবা থৌদোকশিং অদুগী ৱারোইশিন অমা পুরক্লবা সেন্তেরদা খঙহন্নবা হোৎনখি। হৌজিক গোরখা জনমুক্তি মোরচানা ৱেষ্ট বেঙ্গলদা মতম কক্তবা ষ্ট্রাইক্ট চঙশিল্লিবা অদুগী মতাংদা চামলিংনা ঙসি ৱাফম অদু ফোঙদোরকখিবনি।

চৈরকসিদা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী এডুকেসন মিনিষ্টর পর্থা চেটরজিনা সিকিমগী চীফ মিনিষ্টর চামলিংনা ফোঙদোরকখিবা ৱাফম অদুবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

লূচিংবা অদুনা হায় ষ্টেট লৈঙাক অমনা কন্সটিট্যুসনগী চৎন-পথাপগী মতুংইন্না মথৌ পাঙথোক্লিবনি। মদুদা অতোপ্পা ষ্টেট অমনা য়েংশিল্লকপগী মথৌ তাদে হায়খি। চীংগী লমদম অদুগী মরুওইবা পোলিটিকেল পার্টি- জি জে এ এম অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গলগী ওপোজিসন পার্টি অমদি লেফট ফ্রন্ট, কংগ্রেসনচিংবা ষ্টেট লৈঙাক্লা শীন্দুনা ঙসি সিলিগুরিদা পাঙথোকখিবা মীফম শরুক য়াখিদ্রে। লেফট ফ্রন্টনা ষ্টেট অদুদা লৈঙাক পায়রিবা টিনামুল কংগ্রেসপু অকনবা মওংদা মরাল শিরক্লি।

গোরখালেন্দগী ৱাথোক অসিদা টিনামুল কংগ্রেসনা রাজনিতি শান্নদুনা লৈরে। ষ্টেট অদুগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেন্নরজি য়াওরোইদবা মীফম অদু করি কান্নগদৌরিবগে হায়নসু কংগ্রেসনা হংলক্লি।

# আম আদমি পার্টিগী এম এল এ এসেমব্লি মার্সেলশিংনা ইন্থোরকপদা ৱাম্থরকখ্রে

*চান্দিগর, জুন ২২ঃ*

পঞ্জাব এসেমব্লিদা এম এল এ ওইরিবী আম আদমি পার্টিগী লূচিংবী অমা খোঙজং চঙশিনবদা এসেমব্লি মার্সেলনা নম্ফুদা ইন্থোক্লবা হোৎনবদা ৱাম্থরকপদগী লায়কন্নখ্রে। লায়কন্নখ্রবী নুপী অদুদি সরবজিট কোর মানুগীনি হায়রি।

পঞ্জাব এসেমব্লিদা স্পিকরনা সুখপাল খাইরা অমসুং সিমরনজিৎ বে কৌবা এম এল এ ২ খোঙজং চঙশিনবগীদমক সস্পেন্দ তৌখিবগী মতাংদা আম আদমি পার্টিগী এম এল এশিং ঙসি এসেমব্লি অদুদা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লকখি। এম এল এশিং অদুনা এসেমব্লিগী ময়ায়দা চঙশিল্লক্তুনা খোঙজং চঙশিনবা হৌরকপদা এসেমব্লি মার্সেলনা নম্ফুদা এম এল এশিং অদু চিংথুনবা হোৎনখি। মুক্লবা অদুদা এম এল এ মানুকে ৱাম্থরকখি।

খোঙজং অদুদা য়াওখিবা অতোপ্পা এম এল এশিংনা ফোঙদোরকপদা নুপী এম এল এ অদুগী মকোক্তা ফুবদগী মহাক ৱাম্থখিবনি হায়না মরাল শীরকখি। এ এ পিনা হায়, মখোয়গী এম এল এ অদুদা মার্সেলনা অকনবা শাফু পীখি। মদু কংগ্রেস পার্টিনা শীনবা থৌওং অমনি। থা ৩ গী মমাঙদা ষ্টেট অদুদা অমরিন্দর সিংহনা লূচিংবা কংগ্রেস লৈঙাক্লা শেঙ্গা থুমজা তৌখিবগী হিরম অদুগী মতাংদা এ এ পিগী এম এল এশিংনা অকনবা খোঙজং চঙশিনখি।

এ এ পিগী এম এল এশিংনা পৱার মিনিষ্টর রানা গুরজিৎ সিংহগী মথক্তা অকনবা মরাল শীখি। ষ্টেট অদুগী লৈঙোই পেকফমশিং নিলাম লাউবদা শেঙ্গা থুমজাগী থবক কয়া চথখি হায়না মরাল শীরকখি। অমিদ বহাদুর কৌবা চহী ৩৬ শুরবা পৱার মিনিষ্টর অদুনা লৈঙোই পেকপগী লম অদুদা শেঙ্গা থুমজা তৌদুনা লুপা ক্রোর কয়া খোমজিনখ্রে হায়না মরাল শীরি।

এসেমব্লি অদুদা এ এ পিগী এম এল এশিং খক্তঃ নত্তনা অকালি দলগী এম এল এশিংনসু খোঙজং চঙশিনখি। সভা ময়ায়দা চঙশিন্দুনা খোঙজং চঙশিনবদা পার্টি অনীগী এম এল এশিং অদুদা এসেমব্লি মার্সেলনা অকন অরীং শীংনখি হায়রি।

| গ্যাসকী পাউ |
| --- |
| **IMPHAL LPG** |
| Booking upto .......24/04/17 |
| Sl. No. Upto ..........9060 |
| Valid from ...........15/04/17 |
| Stk...............................306 |
| **SAWOMBUNG INDANE** |
| Booking upto .......27/03/2017 |
| Valid from ........... 22/03/2017 |
| Stk...............................306 |
| Timing........7.30 to 10.00 a.m |
| **R & H INDANE** |
| Booking upto .......30/03/2017 |
| Valid from ........... 16/03/2017 |
| Stk...............................613 |
| Timing........7.30 to 10.30 a.m |
| **MAIBIA GAS, MOIRANG** |
| Booking upto .......05/04/2017 |
| Sl. No. ......................... 7650 |
| Valid from ........... 01/04/2017 |
| Stk...............................306 |
| **ATHOKPAM INDANE WANGJING & KHONGJOM** |
| Booking upto .......03/04/2017 |
| Valid from ........... 21/03/2017 |
| Stk........................306 |
| Timing........7.30 to 10.00 a.m |
| **RBD INDANE SERVICE** |
| Booking upto .......07/04/2017 |
| Valid from ........... 28/03/2017 |
| Stk...............................612 |
| Timing........6.00 to 10.00 a.m |


*সনা-সুদোকু- ৮৯৫ গী সোল্যুস*

| | | | | | | | | |
| --- | --- | --- | --- | --- | --- | --- | --- | --- |
| 5 | 3 | 1 | 2 | 8 | 7 | 9 | 6 | 4 |
| 7 | 2 | 9 | 6 | 4 | 3 | 8 | 5 | 1 |
| 6 | 8 | 4 | 9 | 5 | 1 | 2 | 3 | 7 |
| 4 | 5 | 2 | 8 | 1 | 9 | 6 | 7 | 3 |
| 1 | 7 | 8 | 5 | 3 | 6 | 4 | 2 | 9 |
| 9 | 6 | 3 | 4 | 7 | 2 | 1 | 8 | 5 |
| 2 | 4 | 7 | 1 | 6 | 5 | 3 | 9 | 8 |
| 3 | 1 | 6 | 7 | 9 | 8 | 5 | 4 | 2 |
| 8 | 9 | 5 | 3 | 2 | 4 | 7 | 1 | 6 |

# লৈবাক অসিদা লোন কোকথোকপা হায়বসি চৎনবী অমা ওইরক্লেঃ ভেঙ্কয়া নাইদু

*মুম্বাই, জুন ২২ঃ*

ওপোজিসন পার্টি অমসুং অতৈ পার্টি কয়ানা লোন কোকথোক্লবা ৱাফম কয়া ফোঙদোরক্লি। লোন কোকথোকপগী থৌওং অসি ঙসি চৎনবী অমগুম ওইরক্লে হায়না য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ভেঙ্কয়া নাইদুনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।



ৱাফম অদু বি জে পিগী থৌমী অমা ওইবা লৌমী অমনা লৈবাক অসিগী অতোপ্পা ষ্টেট ৪ দা লোন কোকথোকখিবগুম মহরাষ্ট্রদসু লোন কোকথোকপীনবা ৱাকৎ থাঙ্গৎলকখিবা মতুং ফোঙদোকখিবনি।

ভেঙ্কয়া নাইদুনা হায় কনাগুম্বা মীল অমনা শেলগী তঙাইফদবা লৈবা মতমদা লোন পী। মদুদা বেঙ্কশিংনা মতেং পাংলি। অদুম ওইনমক হৌজিক্তি লোন কোকথোকপগী চৎনবী অমা লাক্লে। লৈবাক অসিগী অতোপ্পা ষ্টেট ৪ দা লোন কোকথোকপা লৈখিবনা চৎনবী অদু ওইহল্লকপনি।

লোন কোকথোকপা হায়বসিনা ৱারোইশিন অমদি নত্তে। লোন কোকথোকপা হায়বসি খুদোংচাদ্রবা মতমদতদা খন্নগদবনি। লৌমীশিংনা পুথোকপা পোখোকশিং চপ চাবা মমলদা লৈঙাক্লা লৌশিন্নবা হোৎনরি। মদুদা মখোয়গী নিংবা কায়বশিং অদু কোক্লগদবনি।

হৌজিক খ্বাইদগী হেন্না মরুওইরিবদি লৌমীশিংনা পুথোকপা পোখোকশিং পৈশিন্নবা গোদাউন, কোর্ল্ড ষ্টোরেজ, রেফ্রিজেরেটের ভান অমসুং ইনফ্রাষ্টকচর অদুনি।

লৌমীশিংদা চপ চাবা মমলদা মখোয়গী পোখোকশিং অদু পুথোকপগী কান্নবা ফংহনগনি হায়নসু ঙসি মিনিষ্টর অদুনা মুম্বাইদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা ফোঙদোকখ্রে।

চৈরকসিদা শিব সেনা, মহরাষ্ট্রদা চীফ মিনিষ্টর ওইরিবা বি জে পি গী লূচিংবা দেবেন্দ্র ফ্রনাবিশনা হায়, য়ুনিয়ন মিনিষ্টর নাইদুনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদু ইকাইনিংঙাই ওইবা অমসুং লাইবকথিবা অমনি।

লৌমীশিংনা মথন্ত শিজরিবা থৌদোকশিং অদু হয়েংদি মহাক্লা চৎনবী অমনি হায়রকপসু য়াই হায়না সিটারাম য়েচুরিনা মরাল শিরক্লি। সেন্তরদা লৈঙাক পায়রিবা বি জে পি বু মরাল শিরদুনা হায়, বি জ পি না মীখলগী মতমদা লৌমীশিংনা পুথোকপা পোখোকশিংগী মিনিমম সপোর্ট প্রাইজ ফংহনগনি হায়না ৱাশকখিবা অদু ফংহনবা ঙমখ্রবরা।

লৌমীশিংনা পুথোক্লিবা পোখোকশিং অদুগী শরুক তঙ্খায় অমফাওবগী মমল ফংহনবা ঙমখ্রবরা। লৌমীশিং মরুওইনা লায়রবশিংনা লৌবা লোন কোকথোকপগী মতাংদদি চৎনবী অমা ওইরে হায়না ফোঙদোক্লি। অদুমওইনমক লায়রবশিংগীদমক্তদি করি তৌবা ঙমখ্রবগে হায়না আম আদমি পার্টিগী লূচিংবা আরবিন কেজ্রিৱালনা হংলক্লি।

GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE OF EDUCATION(S)

**O R D E R**

Imphal, the 22nd June, 2017.

No.2/1-2/2008-ED(V): Whereas the result of the Common Entrance Test (CET) held on 19th June, 2017 for admission to Class XI (Arts/ Science/ Commerce Stream) in the 13 (thirteen) select Government Higher Secondary Schools was declared on 21st June, 2017 and uploaded in the official website of the Department at www.manipureducation.gov.in and displayed on the Notice Board of the 13 Schools.

Whereas the Board of Secondary Education which had evaluated the OMR sheets has informed the undersigned that a technical error has occurred during the evaluation of the OMR by the machine.

Now, therefore the undersigned is obliged to cancel the result declared and uploaded in the official website of the Department and order a re-evaluation of the OMR sheets.

The admission process in the school shall remain suspended till the re-evaluation results are declared.

(Th. Kirankumar)
Director of Education(S)

SL/BILL/23

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-895**

| | | | | | | | | |
| --- | --- | --- | --- | --- | --- | --- | --- | --- |
| 9 | | | | | 6 | 4 | 7 | |
| 2 | 1 | | | | 5 | | | |
| 6 | | | | | | | | 5 |
| | | 7 | 3 | | | 9 | | |
| 4 | | 5 | 6 | 8 | 1 | | 2 | 3 |
| | | | | 9 | | | | |
| | 3 | | | | | | | 1 |
| | | 6 | 9 | 7 | | | | |
| | | | | 4 | | | | |